ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯢ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯲꯳, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯶꯴ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, দিসেম্বর ২৩, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২৬৪শুবা মশীং

## ষ্ট্রিট ভেন্দরগী ৱাথোক

## লৈঙাক্না থোকহন্দবা শুকঙম ঙম্লরোইদ্রা

কৈথেলবু কাইরবা লৈবাক ঈরাং থোকই, মরা চেৎতে অমসুং ঈংনা চিক্না পানবা ওইদে হায়বসি থায়নদগী হায়নদুনা লাকই। ৱাফমসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোকশিং শোয়দনা লৈগনি। মরমদি কৈথেল হায়বসি মায়কৈ কয়াদগী মীওইশিং পোৎ য়োনববু ওইরবসু লৈববু ওইরবসু পুনফম ওই। হৌজিক মপাঙ্গল কন্না লৈরিবা প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিককী য়াওনা সোসল মীদিয়াগী মপাঙ্গল কন্না লৈরিবা ফীভমসি ওইদ্রিঙৈদা মায়কৈ থুংনা ঈ-পাউ ফাওনদুনা শন্দোক্লফমসি কৈথেলনা ওইরম্লিবনি। মরম অসিনা অসিগুম্বা মফম অমা ওইরিবা কৈথেলদা ঙাইহাক লৈতনা য়াম্না তোয়না ঈরাং থোকপা হায়বসিদি মণিপুর অফবরোমদা মায়ওন চুম্না চঙশিল্লকপনি হায়দুনা লৌবা য়ারোই। অদুবু মালেমগী মনুংদা নুপী ঙাক্তনা ফম্বা খ্বাইদগী চাওবা কৈথেল অমসু ওইরিবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা থোরক্লিবা ষ্ট্রিট ভেন্দর নুপীশিংগী ৱাথোক অসিবু ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (আই এম সী), মণিপুর হাওজিং এন্দ অর্বান দিভেলপমেন্ট (মাহুদ) লোয়শঙ নৎত্রগা লৈঙাক্না পুন্নোই লোইশিন্দুনা মতম পূম্নমক্কী ওইনা থোরকহন্দবা শুকঙম ঙম্লরোইদ্রা? ৱাহংসিগী পাউখুম আই এম সীনা খুমগদ্রা, মাহুদ লোয়শঙনা খুমগদ্রা, লৈঙাক্না খুমগদ্রা নৎত্রগা পোৎফম ফম্বা ফংহনবীয়ু হায়দুনা খ্বাংচেৎ মচি লাংনা অঙম্বশিংগী থোঙ থিল্লরিবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংনা পীগদ্রা? ময়ামসিগী মনুংদগী পাউখুম পীফম থোকপা, অঙম্বা ওথোরিটিনা পাউখুম ওইনা পীরকপদুনসু কান্নগদ্রা? ৱাথোকসি মখা থোরকহন্দবা ঙম্লগদ্রা? মতাংসিদা মরী লৈনরিবা পূম্নমক্না অমত্তা ওইনা কোক চুংশিন্নবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়নীংই। মরমদি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী পোৎফমগা মরী লৈনবা ৱাথোকসি য়াম্মনখ্রে অমসুং তোয়মনখ্রে।

ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী ৱাথোকসিনা খ্বাইদগী চাওই অমসুং তোয়নসু থোকই হায়বগী ৱানি। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী মনুং চল্লিবা কৈথেলশঙ অহুমগীসু ৱাথোক লান্থোক অমত্তা থোক্ত্রে হায়বা য়ারোই। বেজমেন্ট এরিয়াদা পোৎফম ফম্বীশিংনা অমা পাম্বদা লৈঙাক্না অমা তৌই, মথক্তা হাঙলিবশিংদা অদু তৌবগী মহুত্তা অদা তৌগদবনি হায়বনচিংবা ৱাথোক হৌজিক ফাওবা লোইদ্রি হায়বা য়াই। খরা হেন্না চাওবনা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগা হকথেংননা মরী লৈনরিবা টেম্পররি মার্কেটনা ওইরি হায়বগী ৱানি। মণিপুর পীক্লবসু লৈঙাক্না লাইরিক লাইশু হৈরবা মীওই পূম্নমক্তি লায়রদনা মশীং য়াম্বা শরুক্তা চানবা লৈঙাক্কী থবক পীবা ঙমদে। লৈঙাক্কী নৎত্রবসু মহুৎ শিনবা য়াবা, হিংনবগী পাম্বে ওইজগদবা মওংদা ফিট তৌশিনবা য়াবা মতিক চাবা ইন্দষ্ট্রি, কোর্পোরেসননচিংবসু লৈতে। অদুবু হিংদবদি য়াদবনিনা নুপী ওইবীশিংনা কৈথেলদা লাক্তুনা লুকমাই পাল্লকপদা মতারকপনি। মসিদগী ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী মশীং য়াম্লকপনি, মখোয়গী পোৎয়োনফম পীয়ু হায়রকপনি। মস্বাইসি য়ৌরকপা হায়বসিমকসু লৈঙাক্কীদি খ্বাইদগী লাইবক ফবনি হায়দুনা লৌগদবনি। মরমদি হিংনবগীদমক্তা ফোংনা থোরক্তুনা হুমাংমল তান্নবা হোৎননরকপনি। থোরক্লিবা ময়ামসিনা মখোয় মশা, মখোয়গী ইমুংশিংগীদমক্তনি হায়দুনা অন-লোফুল অমসুং অন-ৱান্টেদ ওইবা মখল কয়াগী থৌওংশিং চথরক্লবদি মদুনা হেন্না লৈঙাক্তা কোক চিক্কনি। মরম অসিনা কৈথেলগী ৱাথোকশিংসি ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী য়াওনা অমুক ময়োল চোংলক্লরোইদবা মওংদা ৱারোইশিন অমা পুরক্কদবনি। অদুগা পোৎফম ফম্লিবীশিংনসু নোংমগী হিংবদা চঙবা তঙাইফদবা পোৎলমশিং হায়বসিদি পোৎতু ফংবা মফমদা মদুগী মথৌ তারিবা মীওইশিং লাক্কদবনি হায়বগী ৱাখলসু চেনগদবনি। শানোংবা হিগাইৱাগী থৌওংমক চথরে হায়বদি নত্তে, তৌরোইদবনি হায়বনি। অনৌবা কৈথেলশঙ অহুমগী মথক্তা হাঙলিবা মফমশিংদা ফমজগে হায়বসু য়াওখিবনি। করিনো করিনো তৌরগা ৱারোইশিন পুরকউ। হৈত্রগা অখঙ অহৈশিংদগী পাউতাক লৌ। থৌওইনা তৌদবা ওইরগনা মনম তৎনবসু য়ৈয়ু, মফমদগীসু লৌথোকউ। সী আর পি সীগী অহকপা সেক্সনশিংগী মখাদা অথিংবা থমজিন্নি, থুগাইরক্লগনা পুলিস থাদোক্তুনা স্মোক বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লগা তানখাইনি হায়বনা সোল্যুসন ওইরোই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৬

১) **“মণীগী মঙাল”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **“মখৈ লৈত পেঞ্জবা”** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **“ঈথৈখ্রবা ঈচেল”** হায়বসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **“হিমায় চুম্বা হিরোয়গুম/হিথাংফম য়ৌনা হি হোনলিবী/ঈচেল কনবা লাইজদসু/নৌবু খূৎপায় চেৎলিবী/থোৎলবদা নঙ লৈরাংনি/কনবদা নুংগা চাংদল্লিবী/ঈশ্বরগী অঙকপা খূৎশেম/নুপী নঙ হীংদুনা লৈয়ু/যুগ যুগ খুদিং।।”** শৈরেং মতেক অসি মপান মণিপুরগী অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবসি কনানো? মহাক্কী করি লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৫) **“লৈমরেম্বীনি ঐ”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# চোইনা তারকপা শন্নাংশিংগুম...

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

মতম অমদা লমদম তাম্না লৈখ্রবা অসাম ষ্টেটকী মনুংদা কছার দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চোইনা তারিবা মৈতৈ ইপা-ইপুশিংগী মওং-মতৌশিংবু য়েংলগা ‘চোইনা তারকপা শন্নাংশিংগুম’ হায়দুনা ইরমদমসিগী মৈতৈ ইপা-ইপুশিংনা প্রমান হেক-হেক তৌনরম্মী। অদুবু ঙসিদি, চোইনা তারকপা শন্নাংশিংগা চাংদম্নবগী প্রমানসি শুপ্নগী অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টতা তারিবা মৈতৈ ইপা-ইপুশিংদুগী মফমদদা নৎত্রে, ইরমদম মণিপুরসিমক্তদা লৈমিন্নরিবা মৈতৈ মচা মশেন ঐখোয়গী ইরক্তসু চপ চানা চুনবা প্রমান অমা ওইরক্লে। পীকখ্রবা ইরমদম মণিপুরসিগী মনুংদা হিংমিন্নরিবা ঐখোয় খুজোক অমখকসিগী মরক্তসু হৌজিকসি করম-করম্বা লমশিংগী করম-করম্বা লৈকায়শিংদা ঐখোয় মশেল অমগা অমগা চপ-চানা থকসি-খাসি ঙাক্লনা, চৎনরোল, থৌগল্লোন্নচিংবশিং কায়নদনা, পাংদিং মান্ননা হিংমিন্নবা য়াওরিবগে? ঐখোয়দি ষ্টৈন্দর্দ লৈরবনি, ঐখোয়দি শেল পায়রবনি হায়দুনা লমদমসিগী অপূনবা মীয়ামসিগা তোৎন-তিন্ননীংদবা অমসুং তোখায়না হাইগৎতুনা হিংনীংবা কাঙবুশিং কয়ামুকসু হৌজিক-হৌজিক ঐখোয়গী ইরকসিদা উরি। মখোয়সিনি চোইনা তারকপা শন্নাংশিংগী মতৌগুম ঐখোয়গী ইরক্তগী চোংথোক্তুনা চোইনা তাবা পাল্লিবা কাঙবুসি। হোয়, লৈবাক্কীগুম্বা অপূনবগী ওইবা পোফমশিংদবুদি ফুরুপসিনা থৱায় কখোকপা কিনদনা, লিংজেল মান্ননা চোংশিনমিন্নরি। সিদি থায়নদগী হৌনা লৈরক্লবনি। মীতোপকা থেংনবদা মায় লৈদুনা খক চেনবা হৈনরক্ত্রবা ফুরুপসিগী তোঙানবা লিংজেলশিং লৈ। লিংজে লশিংদু হৌজিকসু অদুম্মক চপ চানা হোংদনা লৈরি। তৌবতবু ফুরুপসিগী মীয়ামসি নিংথমথাগী দিজল ইঞ্জিনগুম ষ্টার্ট তৌনবা হোৎনবদা অৱাবা অমদি ওইনৈ। হৌবু হৌখ্রবদি মালেমসিদা লম্বা খক লৈরোই। লম্বা থিবদা ৱারিবা ফুরুপনি। অদুবু মখোয় মশেল ঙাক্তা হিংমিন্নবদদি চোইনা তারকপা শন্নাংশিংগুম, মথন-মথন্তগী ওইনা খনবা ৱাখল্লোনসিগী ৱাংমদা শুপ্নগী খুবৈ অমা ফাওবা খক চোইথোকপা ঙম্নদে। ঐগী হায়বা ৱাহৈসিনা মালেমসিদা খ্বাইদগী হেন্না লূম্বা পোৎশক ওইনা লৌনরি। চোইনা তারকপা শন্নাংশিংগুম, মতোম-মতোমতগী ওইবা ৱাখল্লোনশিংনা মাঙজিল থাদুনা মরন্নাই চৎনবসিনা হৌজিক্কী মতমসিদা ফুরুপসিগী খ্বাইদগী হেন্না পামজবা থৌওং অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্তবরা খল্লি।

মীওইবনা ফনা য়াম্না ফুরুপ অমত্তদগী হৌমিন্নরকপা মচিন-মনাওশিং ওইদুনসু অমসুং শুপ্নগী মমা-মপা অমখক্তনা পোকমিন্নরক্তুনসু হৌজিক্তা হিংমিন্নরিবা পুন্সিশিংগী মওংসিদদি মখোয় মশেল অমগা অমগা মচোই মচোই তানহন্নবগী লম্বীশিং কয়ামুক লম্মখাংদা শোয়দনা থেংনরি। লম্বীশিংদুগী মনুংদগী শুপ্নগী অমখক্তা হেক চৎলুবদা ঙরাংতা পোকমিন্নবা মনাওনি হায়দুনা কোন্দুনা ৱাশক্লম্বদু ঙসিদি হেক্তা মবুক মনুংদা শুরি ফুম্বগী মতৌগুম ঙাঙবা-শকপা হৌরকই। অসিগুম্বা পুকচেলশিংসিবু চেনখ্রবা মীওইদুগী পুন্সিদি অরেম্বনি, হুন্দোকখাক্লি অমসুং লুখাক্লাগুম্বনি। লুখাক চগুমশিংতনা থল্লবা মফমশিংদা হৌবা লৈরাং পান্বীশিংগী পাঙ্খকনি। মনাও ওইবদুনসু অদু মঙাই, ঙরাংতা মাবু হেক পোকপীবা মমামক্কী মতৌগুম, “হে ইতৈমা! নঙদি ঐগী ইমানি, অপোকপী ইমাদগীসু হেল্লবীনি’ হায়দুনা মতৈমগী মখোঙ কোন্দুনা কপচরম্বদু ঙসিদি মতৈমদুবু উরগা উনা-উনা লৈথোক্তুনা নাথৈদুনা চৎপা ঙল্লক্লি। থৌদৌসি হুগী মশক ওইরবা উহৈশিংনা খুন্নাইসিদা মপূং মরৈ ফানা পাল্লকপগুম্বনি। চৎনরোলসিনা মালেমগী লৈমায়সিদা নৌনা শীৎলকপা অনৌবা মখলগী নোংলৈ নুংশিৎ অমগুম মালেমসি শিনবা থুংনা শিৎলকপগুমসু তৌরি। সি য়ৌরবদি মালেমসিসু নুংঙাইরক্লনি। থৌদৌসি হীরম অমত্তদা খক চঙদনবা কনাগুম্বনা ফনা কন্না অমসুং চেকশিন্না হোৎনজরবসু মায়থীবগী চাংদি মালেমসিদা নোংম-নোংমগী ওইনা হেঙ্গৎলক্লি। মতাংসিদা পন্নীংলিবসি, মালেমসিদা মতম-মতমগী ওইনা শিৎলকখিবা নোংলৈ-নুংশিৎ খুদিংমক্লা কনামত্তবু হেন্না নুংশি হায়দুনা লেম্না খক থাদোকপীরম্বা নত্তে হায়বসিনি। ব্রহ্মামক্লা মিহৌরিবা তাইবঙ-মীওইবগী মপোক্লি হায়রগা করিগী অসুক য়াম্না অৱা-অনাগী মশক ওইরবা পোফমশিংসি তাইবঙ মীওইবগী পুন্সিশিংদা থেংনহনবীরিবনো? করিগী নোংদম্বা মানা তাইবঙ মীওইবগী পুন্সিশিংবু অসিগুম্বা লাংফমশিংসিদা হেক হেক মৈ ইকপীরিবনো? অসুক লুরবা তাঙ্ককশিংসিদা তাইবঙ মীওইবগী ৱাখল্লোনশিংনা চোইনা তারকপা শন্নাংশিংগী মতৌগুম, মতম লৈবা খিবিক্তা নোংমতা ফাওবসু পূন্না চৎমিন্নবা অমসুং থবক তৌমিন্নবা পাম্নরকত্রি অমসুং তোঙান্না নাইতোম তানা হিংনীংলক্লি। অঙকপনি, ‘পূম্নমকসিবু নোংদম্বীরিবা হে নোংদম্বা মপু”! মহাকমক্কী মফমদসু তাইবঙ মীওইবশিংনা চৎনরিবা মশা মথন্তা তোঙান্না হিংনীংবগী ৱাখল্লোনসিগী চাউরবা মমি অমা তূমিন্না তাশিন্দুনা লৈরবরা? ঙসিগী তাইবঙপানসিদা তোখায়না, নাইতোম তাবা পাল্লিবা তাইবঙশিংসিবু নোংদম্বা মপু মহাক্কী নোংদমখোল মতুংইন্না ওইরকপা নত্তবরা? তাইবঙ মপু মহাক ফাওবনসু মতমসিদা মথন্তগী ওইবা ৱাখল্লোন্না লমজিংদুনা তোখায়না তানীংবগী লম্বীশিংসিদা চৎনীংবগী ঈথিলশিং পোক্লবদি তাইবঙপান পূম্বসিদি করি ওইরক্কনি? মসিৱাইসি য়ৌরকপদনি তাইবঙপানসি নুংঙাইরক্লনি হায়নীংলিবসি। মথন্তগী খন্দুনা মরন্নাই ওইনা হিংনীংলিবা ঙসিগী তাইবঙ মীওইবশিংসিনা মঙলিবা মঙলানসি করিনো? তাইবঙপানসিদা হিংববু ইথন্তা হিংবা য়াগদ্রা? মসিনা ওইগদৌরিব্রা, তাইবঙপানসিগী লীলা লোইশিনবা হায়নরিবদুবু?

চহী তরেৎ খুন্তাকপা, অৱা লানদা মৈতৈশিংনা কয়াগী মতিক ফিভম চাদনা হিংলকখিবা, বৃটিশশিংনা লীশাং শিৎনা লোই চন্দুনা চীঙ্খোং-চীংয়া ফাওবা উফুল তাবা মখৈ নৈদুনা চহী কয়া পাল্লকখ্রবা মতমশিংদুদসু মৈতৈশিংনা খুবৈ অমগী লম ফাওবা হৌন-লোনচৎ কায়না চৎলকখিদে। ঙসিনা করিগী অৱাসু লৈত্রবা, বৃটিশশিংসু হনখ্রবা মতমসিদা ইথন্তনা কয়াগী মতিক হৌন-লোনচৎশিং কায়না অমসুং মচেৎ তানা হিংনীংবগী ৱাখল্লোনশিং ফাওনরক্লিবা? ঙসিদি ইরমদম মণিপুর মচাসিদা ঐখোয় কয়াগী মতিক ইরন্নাইগী ওইবা মওংদা ইশা ইথন্তনা হিংনীংবা মওংদা ইনিং তৌনা হিংনরক্লি। ইরমদম মচাসিগী ফুরুপচাশিং চোইনা তারকপা শন্নাং খরনা মথন্তা মদোম হাইনা-হুম্না পানবগুম, তোখায় তানা অমসুং হাইনা হুম্না হিংবা অসুক্কী মতিক পাম্লক্লিবসি করিগীনো? ফুরুপসিদা লৈরিবা মীওই পূম্নমক্লা পূন্না হিংমিন্নবদগী মীয়ামদগী তোখায় তানা ইরন্নাই ওইনা নাইতোম তানা হিংবগী ষ্টাইলদা ওইনা হিংবনা অসুক্কী মতিক পাম্ন রক্লি। পূম্নমকসি নৈনবগী মথৌ তাই। মতম অমদা মৈতৈ ফুরুপসি করম্বা ষ্টেজ অমদা হিংলম্বগে? মতমদুদা মালেমসিদা খ্বাইদগী হেন্না চাওখৎলবা ফুরুপ কাঙলূপশিংদুনা মালেমসিগী অতোপ্পা চিদাই অমদা মৈতৈ কৌবা ফুরুপ মচা অমা লৈ হায়বসি খঙবীরম্বা নত্তে। তৌববুদি হৌজিকসু খঙবীবগী চাং অসুক্কী মতিক ৱাৎলিবনি। মালেমসিদা মীতোপশিংনা ঐখোয়বু শকখঙহনবা ফাওবা ঙমদ্রিবা ঐখোয়না হৈবোং মনুংদা লৈবা তুমিৎকুম, ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অমুক্কসু মীয়ামগা পূন্নিংদবা, ইরমদমসিগী মীয়ামসিবু হন্থনা লৌদুনা ঐ মঙায়রবনি হায়না চৎপা ময়াম অমসু থোক্লক্লি। অমগা অমগা পুনশিনমিন্নদুনা কদায়-কদায়দা অৱাৎ-অপাশিং লৈরিবগে হায়বদু চেকশিন্না য়েংশিনমিন্নবগী মহুত্তা মখোয়না খল্লিবা ৱাখল্লোন, হিংনীংলিবা মরন্নাইগী ওইবা পুন্সি মহিংসিবু করিনো? ঐখোয়গী ইরক্তা মরন্নাই ওইনা হাইগৎনা, তোখায়না হিংনীংবগী মওং উবা কাঙবু খরা য়াওরিবসি হান্না ৱাখল তাহন্নবা হোৎনমিন্নবা চুমগনি। মখোয়না হিংলিবসি ঐখোয়গী ইরক্তনি হায়বসি মখোয়দা ৱাখল তাহনবা চঙই।

মথক্তা হঞ্জিন-হঞ্জিনসু থমজখ্রে, কনাগুম্বী নুপী ওইবী অমগী লাইবক নাকচী অনীদা ময়ামগা পূন্না লৈমিন্ননীংদবগী মওংদা শন্নাং খরদংনা মরন্নাই ওইনা তারক্তুনা হাইনা-হুম্না অমসুং মনীংতম্না, নাইতোম তানা লৈবগী মওংদু খুন্নাইসিদা অপূনবা মীয়ামসিগী ওইবা পুন্সি মহিংশিংদগী তোখায়বা মওং অমদা তোঙান্না, নাইতোম তানা হিংবা পান্বী পুন্সি মহিংশিংগী মওংনি হায়না। চোইনা তারকপা শন্নাংশিংগুম্না মতমসিদা ইরমদমসিগী মীওই কয়ানা পাম্নরিবা মরন্নাই ওইনা হিংনীংবা পুন্সি মহিং অমসুং মরেলশিংদুদা যূম্ফম ওইরগা, পেঞ্জদবা কয়ানি ফোঙদোক্লিংলিবা। খুন্নাইসিগী হৌন-লোনচৎ, চৎন-কাঙলোন পূম্নমকপু থৌওইদনা, মথন্তা নাইতোম তানা হিংনীংবগী থৌদৌ হায়বসিবু তশেং-তশেংনা নাইতোম তাবা খোঙচৎ অমা ওইরোইদবরা? ৱাফমসি নৈননীংঙাই ওই। ইরন্নাই ওইনা তোখায়না হিংনীংবা হায়বসি ৱাহন্থোক অমরোমদদি পুক ফত্তবনি, ফজদবা ৱাখল্লোননি, চোইনা তারকপা শন্নাংশিংগী মতৌগুম্বনি। খুন্নাইসিদা মীয়ামগী ওইবা অপূনবগী ৱাখল্লোনদি, মীপূম খুদিংমকসি অমগা অমগা পাংদিং চপ মান্ননা হিংমিন্নবনি। ঐনা মহেল্লে, “ঐ মঙাইরে খুন্নাইসিদা শেল-থুমদা অৱাবা লৈতবা, ঐ মঙাইরে খুন্নাইসিদা মীচঙ শঙ্গদা অৱাৎপা খঙদবা” হায়বা ৱাখল্লোনসিনা মাঙ থাদুনা খুন্নাইসিদা হিংমিন্নরিবা মীয়াম পূম্নমক্কী মথক্তা মানা নাইতোম ওইনা ৱাংখৎনা হিংগনি হায়বা ৱাখল্লোনসি হৌজিক্কী খুন্নাইসিদা হৌদোক্লিংবা মীওইশিং য়াম্না লৈ। মসিমক্তি অফবা থৌদৌ ওইরক্কনি হায়নীংদে। ●

# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ৯

- ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম -

অপীকপা ষ্টেট অমা ওইজরবসু মণিপুর হীরম খুদিংমক্তা মশাগী তোপ-তোপ্পা মফম অমদি লৈজরিবা লমদমনি। মরম অদুনা ইন্দিয়াগী চুপলি পায়রিবশিংনা খক নাথৈবা য়াররোই। মরম অদুনা থাজদনা মণিপুর ফজনা মশক খঙই। মদুমক্লা মণিপুরবু সেন্টরনা কৈদৌনুংদা থৌওইদবা খক ঙল্লোই। হীরম খুদিংমক্তা তোপ তোপ্পা খরদি শাংলবা রাজ নিতিগী ঈচেলদা য়াওদুনা লাকখিবনি। মসি পূম্নমক্কী মথক্তা মণিপুরগী রাজনিতিদা কাউথোকপা খক ঙল্লরোই হায়বসি মীপূম খুদিংমক্লা খঙনরবা ৱাফম অমনি।

রাজনিতি হায়বসি তরাইবদি নত্তে। অদুম ওইনমক মণিপুরীশিং অসিগী তোপ তোপ্পা খরদি সেন্টরনা খঙই। মীৎয়েং অসোমদা ইথা থাজদনা চহী খরসিদা নহারোল কয়ানা রাজনিতরোমদা চঙশিন্নরকপা ইন্দিয়াগী লুচিংবশিং ঙসিদি অপীকপা ষ্টেট অমা ওইজরবসু মণিপুরবু কাউথোকপা খক ঙল্লোই। ইথা থাজদনা মণিপুরদা মোদিনা লাক্তুনা রাজনিতিগী চপ চাবা ৱাফম খরদা যূম্ফম ওইরগা মতম শাংনা কোংগ্রেস লৈঙাক তৌরম্বদু লাংজিং চীংগী লম্পাক্তা রাজনিতিগী মরীক চুম্বা ৱাফম খরা লাওশিনবীরম্বদগী মোদিগী খোল্লাউ থাজরুবদগী থাজদনা বি জে পিগী লৈঙাক লাকহনখিবদু অনৌবা পাড়া অমনি। অদুবু বি জে পিগী রাজনিতিদা অহোংবা পুরক্লবরা? মীয়ামগী ৱাহংনি। মতম শাংনা বি জে পি ওপোজিসন ওইনা কোংগ্রেসকী মতমদা লৈরম্লবসু মীয়ামগী ইহুল খঙনা অওনবা অহোংবা খরদি পুরক্কনি থাজনদুনা বি জে পিগী লৈঙাক ওল্লকখিবনি অদুবু বি জে পিগী ৱাজাও, রাজনিতিগী তাৎ কয়া ঙসিদি মীয়ামসু খঙনরক্লে। অহানবা টর্মদা বি জে পিগী ৱাখল মীৎয়েং খঙনরকখ্রে। অনীশুবা টর্ম লাকখ্রে অদুবু করিসু অওনবা অহোংবা পুরকপা ঙমখিদ্রে। ঙসিদি মীয়াম খুদিংমক ৱাখল তানরে। অদুবু শক্তি পাম্বা রাজনিতিদা চপ চাবা শক্তি শীজিন্নরক্তুনা মমাঙগী ইলেক্সন্দা এ সী খুদিংমক্তা বি জে পিগী মনুংদা চঙশিন্দুনা এ সী খুদিংমক্তা বি জে পিগী টিকেটতা ভোট লেপনীংবা মীগী মশীং থাজদনা থোক্লরকখিবা মীয়াম্না খঙনখ্রে। ঈরাং মরক্তা রাজনিতিগী চপ চাবা খোঙফম প্রজাশিংনা ফজনা খঙনখ্রে। বি জে পিগী ফজ-ফজরবা মীয়াম্না পাম্নরগদবা মখল মথেলগী থৌশিল চত্থরক্তুনা নমদুনা বি জে পিগী মপূং ফাবা এম এল এ পুথোরকখ্রে।

ঙসিদি চপ চাবা বি জে পি লৈঙাক লাকখ্রে। মসিগী মথক্তা লেপ্তুনা চত্থরকপা লৈঙাক অসিনা মণিপুরদা অহোংবা অওনবা করি পুরক্লবগে হায়বা ৱাহং চোংথোরক্লে। বি জে পিগী মন্ত্রিশিংনা মশক থোকপা থবক করি করি খুদম চাংদম পুথোরক্লবগে। বি জে পিগী খুঙ্গং চৎলু, চীংদা চৎলু হায়বসি তাবদা ফজরবা ৱারক্কী তয়ানগুম্বা ঙাক্তনি। খুঙ্গং-সহরদা করিসু অওনবা অহোংবা লৈতে। মপূং ওইনা চীংদসু করিসু অওনবা অহোংবা খুদম ওইবা য়াবা করি করি মীয়াম্না খঙনরবগে?

মসিগী মখা তারকপদা খুঙ্গং-সহরদা লম্বী থোং, ঈথৈ লৌখোং খুদম ওইনা মীয়ামদা পাওদম্নবা করিসু লৈতে। মখা তারকপদা স্কুল, কোলেজ শেমগৎপা মশক থোকপা করিসু লৈতে। স্কুলগী ওজা ৱাৎপগী ৱাথোক মশীং খঙদনা নোংমগী লেপ্তুনা মহৈরোয়শিংগী ৱাকৎ হেনগৎলকই। মপূং ওইনা লম্বী থোং শেমজিনবীদবগী লম্বী থিংবা লেপ্তুনা মীদিয়াদা ৱাকৎপা তানরি। মখা তারকপদা ইম্ফাল নুপী কৈথেলগী ঈরাং হেন্না হেন্না কনখৎলকই। বি জে পি লৈঙাক অনীরক শুবদা মশাগী পার্টিনা মপূং ফাবা ফংজরবসু মীয়ামগী ৱাথোক হেন্না হেন্না কনখৎলকই। তশেংনমক বি জে পিগী লৈঙাকসি মপান থোংদদি হায়নীংঙাই লৈতনা ফজনা চত্থরকপগী ৱা লেপ্তুনা মন্ত্রিশিংনা লাউরকই। ঙসি চত্থরকইবা ইরাংসিনা মথংগী লাক্কদৌরিবা টর্মদা মপূং ফাবা কৈদৌনুংদা ওইথোক্লরোই। ঙসি মন্ত্রি ওইরিবশিং অমুক হল্লকপগী আশা য়াম্না থাপ্না লৈরক্লে। মপূংদা মমাঙগী লৈঙাক্তগী ঙসিগী লৈঙাকসিনা মপূং ফানা লৈজরবসু লৈঙাক অসিদি মায়দা পাওদর থাবগুম ৱারক্কী তয়ালগুমলে। ঈরাং মরক্তা থা কয়া হৌজিল্লক্লে। মপূংদা লৈঙাক অসি মওং মরীল তাবা নোংম-নোংমগী ৱাৎশিল্লকপা ওইনা চত্থরকপা অফবা খুদম নত্তে। থাজদনা কোংগ্রেস চহী কয়াগী তুংদা মূৎখিবগুম বি জে পিসু ঙসিগী শক্তমসি য়েংলবদি কোংগ্রেসকী মরাই চাইথবদগী হেন্না থাজদনা শোকচিল্লক্কনি। ঙসিদি প্রজা মীয়ামসু খোঙফম শেম্বা হৌনরক্লে। অদুবু চহী খরদি ৱারবসু ৱানা ঙাইখিবা তারি। রাজনিতিৱালানা মথং চহী ঙাইবগুম মীচম মীয়ামসু খোঙফম শেম্নদুনা ঙাইনরি। ●